# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-02-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুরদা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনবদা অরাম্বাই তেঙ্গোলনসু মতেং পাংবীনবা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা আপিল তৌরি।

রাজ্যপালগা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীহুৎ কাংবুগা ঙরাং ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নদুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। অরাম্বাই তেঙ্গোলনা রাজ্যপালদা ৱারোল ৯ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক লোয়শিনবা, ইং ১৯৫১ দা বেজ ইয়ার ওইরগা এন.আর.সি. চৎনহনবা, মনিপুরদা আইন কায়না চংলকপা মীওইশিং মরমদা হলহনখিবা, খুৎলায় পায়বশিংগা তৌনরিবা সসপেন্সন ওফ ওপরেসন লোয়শিনবা অমদি সুগী চৎন-কাঙলোন থুগায়রিবা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপা, আইন কায়না চংল্লকপা মীতোপশিংদগী সেদ্যুল ত্রাইব ষ্টেটস লৌথোকপা অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোল য়াওনা খুল ঙাকপশিংবু আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপীদনবা অমদি ফাবীদনবা হায়বনচিংবা য়াওরি।

রাজ্যপালগা উন্নরবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীহুৎশিংনা হায়-মনিপুরদা অথুবা মতমদা তংদু লৈতাবা পুরকবা কন্না হোৎনরি। মসিদা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংনবা রাজ্যপালনা খঙহল্লকখি।

**সরেন্দর (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা আইননা য়াদবা খুৎলায়শিং পীখৎলকবা খঙহনখিবা অদু হয়েং লোয়রে।

ঙরাং রাজ্য অসিগী জিলাশিংগী পুলিস ষ্টেসনশিংদা তোঙান তোঙানবা

খুৎশু খুৎলায় কয়া থিনগৎলকখ্রে হায়রি। চুরচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এস.এল.আর. তরুক, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অহুম, ইনসাস ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এল.এম.জি. অমা, পাকিস্তানদা শাবা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা এম.সভেনতি নাইন ফোরতি এম.এম. লেথোদ য়ু.বি.জি.এল. গন অমা, হেভি কন্ত্রি মেদ মোটার অমা, কন্ত্রিমেদ মোটার অনি অমদি কন্ত্রিমেদ রোকেট মরি থিনগৎলকখি।

হম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা এস.এম.জি. করবাইন অমা, টিয়ার গ্যাস গন অমা, পিষ্টোল অহুম, স্তান গ্রেনেট অনি, থারতি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ মরি, স্মোগ সেল অমা অমদি টিয়ার গ্যাস সেল তরুক পীখৎলকখি।

জিলা অসিগী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনদা করবাইন অনি, এস.এল.আর. অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, লোকেল মেদ করবাইন মেগজিন অনি, ইনসাস রাইফল মেগজিন মরি, ইনসাস এল.এম.জি. মেগজিন অনি, ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, ডব্লিয়ু.পি. স্মোগ গ্রেনেদ অমা য়াওনা নোংমৈ মরু কয়া পীখৎলকখি।

য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনদা নাইন এম.এম. করবাইন ৱান.এ. সব মেছিনগন অমা, রাইওট গন অমা, স্তন গ্রেনেদ অহুম, টিয়ার স্মোগ সেল য়াওনা অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়া পীখৎলকখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা কন্ত্রিমেদ অমা য়াওনা এস.বি.বি.এল. মঙা, রাইফল কন্ত্রিমেদ অমা, দি.বি.বি.এল. অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, টিয়ার স্মোগ গন অমা, থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অমা, স্মোগ গ্রেনেদ অমা অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং থিনগৎলকখি।

থৌবাল জিলাগী এস.পিদা থিনগৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা এস.এল.আর. অমা, স্নাইপ্পর রাইফল অহুম, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি আইট রিভোলভর অমা, আইতিৱান এম.এম. মোটার অমা, মোটার

সেল অনি, টিয়ার স্মোগ সেল অনি, থারতি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

কাংপোকপী জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনদা এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, রিভোলবর অমা, পোইন্ট টু টু পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইজ মোটার অহুম, মোটার বোম ৯ য়াওনা পীখৎলকখি।

জিরিবাম জিলাগী এস.পিদা পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা দবল বেরেল গন অহুম, সিঙ্গল বেরেল গন অনি, নাইন এম.এম. করবাইন অমা, এন্টি রাইওট গ্যাস গন অমা, থারতি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়াওনা অতৈ খুৎলায় কয়া য়াওরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস অমদি অসাম রাইফলসতা পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা সি.এম.সি. ১২, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, এস.এল.আর. রাইফল অনি, সিঙ্গল বেরেল মরি, আই.ই.দি. অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী কাদর অনি ঙরাং খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং ৱার্ড নম্বর ফোরদগী ফাগৎলকখিবা মীওইশিং অদুদগী এস.দি.দি.এল. অমা, ইয়ার গন অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু এম.এম. পিষ্টোল অমা, টুয়েল্ব বোর কারটিজ মরি অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা খুৎশু খুৎলায়শিং লৌখৎপা ঙমখি। ফারবা মীওই অমদি পোৎলমশিং অদু মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক বিষ্ণুপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী ঐচ. মোনজাং ভিলেজকী অকোইবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। ফারবা খুৎলায়শিংগী

মনুংদা কিলোগ্রাম মঙা মখায়রোম লুপ্বা দিটোনেটর য়াওবা আই.ই.দি. অহুম, ফিফতি ৱান এম.এম. ইমপ্রোভাইজ মোটার মানবা পোম্পী অমা, ফুট ১০ শাংবা পোম্পী অমা য়াওরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা থিঙেল লৈকাইদা আইন কায়না শারম্বা বঙ্কর অনি ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগায়খ্রে। তুংদা, থিবা হুম্বগী থবক চথ্নবদা নম্বর প্লেট অমদি চে-চাং য়াওদবা জিপসি অমা অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

**পোপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নফাইগী চিংশাংদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি ফোরেষ্ট দিভিজন য়াওনা এস.দি.এম. কাংপোকপীগা লোয়নননা নফাইগী চিংশাংদা লম একর ৩৫ দা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং ঙরাং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখিবনি। পোপী পাম্বীশিং অসি লুপা কোতি অহুম লাখ ৯০ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি।

**পিএম ঃ** গুৱাহাতিদা পাঙথোক্লিবা এদভান্তেজ অসাম টু পোইন্ট জেরো ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর সম্মিট' ঙসি লোয়শিল্লগনি। থৌরম অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্তি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী লম্বী থোং ফগৎহনবা য়াওনা অতৈ চাউখৎ থৌরাংগী লমদা লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা থোং মান্ননা চৎননবা সরকার অসিনা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। মালেমগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী মরক্তা ভারতনা খ্মাং য়াংনা চাউখৎ লম্বীদা চংশিল্লকপা অসিদা মালেমগী মীয়ামনা ভারত্তা মীৎয়েং থমরক্লি।

থৌরম অদুদা, অসামগী রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচ্যারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি-

হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মা, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-ডা: এস. জয়শঙ্কর, সরবনানন্দ সোনোৱাল, জ্যোতি রাদিত্য সিন্ধিয়া, ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মনিক সহা অমদি কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি-পাবিত্রা মারঘরিতাসু শরুক য়াখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-দিল্লিগী মনিপুর কি- বাট রিভিয়ুটেল হায়বা হেদলাইন অসিগী মখাদা লান্না উহনবা য়াবশিং চুমথোকবা হোৎনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কোরৌঙানবনা লুচিংবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী টিমনা গভনরগা উন্নখ্রে, পিছ লাক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে, খুৎলায় পীখৎপা লোয়রবা মতুং এন.ঐচ. অনিমক হান্নগী ফিভমদা লাকবা হোৎনগনি হায়রক্লে হায়বা খ্বাইরাকপম রোবিনগী ৱাফম পোকফমদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-মেত্রিক ইগজামগী ক্বোইসন লিগ ওইরে, চেন্নবশিং থিদোক্তুনা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়বা দেসমাগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ঐচ.এস.এল.সি. ইগজামিনেসন, সোসিএল সাইন্সকী ক্বেইসন পেপর লিক ওইরখ্রে, থিংগৎনবা খঙহনখ্রে হায়বা বোসেমগী সেক্রেটরিগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-পি.এম. মোদিবু মনিপুর মীয়ামনা ঙায়দুনা লাকখি অমসুং ঙসিসু মখা তানা ঙায়রি হায়বা আই.এন.সিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ (কম্যুনিকেসন) জয়রাম রামেশকী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-ফেব্রুৱারী ১৩ দগী চল্লাইরক্লিবা প্রসিদেন্ট রুল মরম চাদে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরদা চেল্লেঞ্জ তৌরক্লে হায়না অহানবা

হেদলাইন তৌরি। ঙসি হায় কোর্ট ওফ মনিপুরদা রিট পিটিসন অসি লৌখৎতুনা খন্ননবা কোস লিষ্টতা হাপখ্রে হায়না সব হেদলাইন অমসু পীরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-আর্মিগী দাইরেক্তর জেনরেল মিলিটরি ওপরেসননা মনিপুরগী সেক্যুরিতিগী ফিভমগী মতাংদা হন্না য়েংশিনখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-গভনর অজয় কুমার ভাল্লানা শান্নরোইশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম হৌদোকখি হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-প্লেয়ার ডে পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-দুবাইদা মনিপুরিশিংগী গেষ্ট হাউস লৈরগনি হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-আই.পি.এস. ইমান্যুয়েল কে. মুইভাবু এদিসনেল দি.জি.পি. ওইনা হাপখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-প্রধান মন্ত্রি- নরেন্দ্র মোদিনা গুৱাহাতিদা লাক্লম্লগা মনিপুরদা য়ৌরক্লমদববু কংগ্রেসনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।